# সনালৈবাক স্পোর্টস







জর্মনিগী ফুটবোল ক্লব বোরুসিয়া দোর্টমুন্দদা হান্না শান্নরম্বা অদুগা মখা তাবা সিজনদসু ক্লব অসিমক্তদা শান্নগনি হায়না অয়াবা লৈখ্রবা জপান মচা সিনজি কাগাৱা

স্পেনগী ফুটবোল ক্লব রিয়েল বেটিসতা হান্না শান্নরম্বা চহী অসিগী ওইনাচহী ২১ মখাগী য়ুরোপিয়ান প্লেয়রগী মনা ফংখ্রবা রিয়েল মাদ্রিদতা শরুক য়াগদৌরিবা দানি সেবালোস



## যুএসএগী সাম ক্কেরি মায়থিবা পীদুনা ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিকনা ৱিম্বলদন গ্রান্দস্লামগী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল য়ৌখ্রে



নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিকনা ফোরহেন্দ সোট অমা তৌবা

*লন্দন, জুলাই ১৪ ঃ*

মালেমগী টেন্নিস মশান্নগী ওইনা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ৪ গী মনুং চনবা ইংলেন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা ৱিম্বলদন গ্রাস কোর্টকী ফাইনেলদা মশাগী কেরিয়রগী অহানবা ফাইনেল য়ৌননবা শান্নবদা মায় পাক্তুনা ক্রোএসিয়াগী মারিননা স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদরর অমসুং জেক রিপব্লিক্কী টোমাস বর্দিসকী অথোইবগা শান্নরগনি।

গ্রাস কোর্ট টেন্নিস টুর্নামেন্টকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা ৱিম্বলদন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৭ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিক অমসুং ২৪ শুবা শান্নরোই যুএসএগী সাম ক্কেরিগা লম্বা তৌনখি।

সেমি ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট শান্নরোই অনীগী মায়োক্তগী অকনবা লম্বা মায়োক্লদুনা টাই ব্রেক শান্নরকপদা যুএসএগী সাম ক্কেরিনা টাই ব্রেক অদু পোইন্ট ৮-৬ তা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা সেট মারিন সিলিক্কা সাম ক্কেরিগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৪ দাথোইরগা সেট অমমম মান্নখি। অহুমশুবা সেট মারিন সিলিক্কা টাই ব্রেক্তা সাম ক্কেরিবু পোইন্ট ৭-৩ দা থোইদুনা সেট ২-১ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

সেট ২-১ দা মাঙজিল থারবা মারিন সিলিক্কা সাম ক্কেরিগী মায়কৈদগী অকনবা প্রেসর লাকখ্রবসু য়াম্না মরুওইবা সার্ভিস গেম অমা মহাক্না ব্রেক ফংদুনা ৭-৫ দা মরিশুবা সেট অদু থোইদুনা সেমি ফাইনেল মেটচ অদু মায় পাকপদগী ৱিম্বলদনগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসতা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমদি কানাদাগী গাব্রিয়েলা দাব্রোস্কি ক্কার্টর ফাইনেলদা ফিনলেন্দগী হেনরি কোন্টিনেন অমদি বৃটেনগী হিথর ৱাটসনগী মখুত্তা মায়থিহৌবদগী টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী কেম্পেইন লোইশিনখ্রে।

মিক্স দবলসকী ক্কার্টর ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদু জুরা অনিনা য়াম্না অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নরকখি। অদুবু অরোইবদা ইন্দিয়া অমসুং কানাদাগী জুরানা ৭-৬(৭-৪) দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা শোখরগা ফিনলেন্দ অমসুং বৃটেনগী জুরা অদুনা হেন্না ফজরকপদগী ইন্দিয়া অমসুং কানাদাগী জুরা অদুগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬-৪ দা থোইদুনা জুরা অনীমক সেট অমমম মান্নদুনা য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা লৈখি।

অরোইবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা জুরা অনীগী মায়কৈদগী গেম ৫-৫ দা লৈনদুনা লম্বা মান্নরকখি। অদুবু লোইশিল্লকপদা ফিনলেন্দ অমসুং বৃটেনগী জুরা অদুনা থংনবা গেম অনী মুনবা ঙমখিবদগী সেট অদু ৭-৫ দা থোইদুনা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমদি কানাদাগী দাব্রোস্কি ক্কার্টর ফাইনেলদা লৈহৌবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা রুশিয়াগী একাটেরিনা মকারোভা অমসুং ইলেনা ভেসনিনানা চাইনিজ তাইপৈগী চান হাও চিং অমসুং রোমানিয়াগী মোনিকা নিকুলেস্কুগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা অনীশুবা সিদেদ জুরা ওইনা শরুক য়ারকখিবা রুশিয়াগী একাটেরিনা মকারোভা অমসুং ইলেনা ভেসনিনানা টুর্নামেন্ট অসিগী ১২ শুবা সিদেদ জর্মনিগী অনা লেনা গ্রোনেফিল্ড অমসুং জেক রিপবিক্কী ভেতা পেস্কিবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা থোইরমখি।

মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদু জুরা অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরক্তুনা গেম ৫-৫ ফাওবা মান্নদুনা লৈখি। অদুবু মখা তানা শান্নরকপদা রুশিয়াগী জুরা অদুনা থংনবা গেম অনী লৌবা ঙমখিবদগী ৭-৫ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেট অদুদা এক্সপরিয়েন্স হেল্লবা রুশিয়াগী জুরা অদুনা জর্মনি অমসুং জেক রিপব্লিক্কী জুরা অদুগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-২ দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অমরোমদা চাইনিজ তাইপৈগী চান হাও চিং অমসুং রোমানিয়াগী মোনিকা নিকুলেস্কুনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা জপানগী মাকোটো অমসুং জেক রিপব্লিক্কী রেনেতা ভোরাকোভাবু ৭-৬(৭-৪), ৪-৬, ৯-৭ দা থোইরমখি।



নুপীগী দবলসকী ফাইনেল য়ৌখ্রবা রুশিয়াগী মকারোভা অমসুং ভেসনিনা

## ‘শহর মচাশিংনা শান্নবদা শরুক য়ারক্তবা’


### এল. কালা সিংহ, উরিপোক


‘নুংঙাইরবা ফুটবোল শান্নবগী কুম্মৈ য়েংশি ফুটবোল মশান্না চাওখৎনবগীদমক ঐখোয় হিংশি ফুটবোল মশান্নগীদমক ঐখোয় শিসি’

ফুটবোল শান্নবগী নুংঙাইরবা চাংয়েং কুম্মৈগীদমক নুপা নুপী ফুটবোল শান্নরোই মশিং য়াম্না হেনগৎনবা হোৎনবা লেপ্পা য়াদে। অহোংবা পুরকপদা ফুটবোল মশান্নসু হেন্না হেন্না নুংঙাইরবা কুম্মৈ ওইহনবদা মখল মখা কয়াগী নিতি নিয়মগী ওইবা অহোংবা কয়া পুরক্লবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি, হেন্না হেন্না অয়েংবশিংবু নুংঙাইনবা ফজ-ফজরবা নিতি নিয়ম কয়া অমা বিজ্ঞানগী মতেংসু য়াওনা লেপ্পা লৈতে হোৎনরিবসিদা মথং মথং। অয়েংবশিং পুক্নিং পেন্না নুংঙাইনবা শান্নরিবা ফুটবোল হেন্না হেন্না হোং লক্লিবা মচৎ ওইনা ফুটবোল মশান্না অচৌবা ইন্দষ্ট্রি মার্কেৎ লোয়ননা টুরিজম সেক্তরদা অচৌবা মতেং পীবা ঙম্বা মশান্না অসিগীদমক চাওথোকচিংঙাই ওইবা শান্নরোই ওইরকপসিনি পুম্নমক্না পুক্নিং চিংশিন্নরক্লিবা অসি।

ফুটবোল চাওখৎনবা হোৎনবা হায়বসিদা গ্রাস রুট লেভেলদগী হোৎনবা হায়বসিমা তৌদা য়াদ্রবা অমনি। গ্রাস রুট লেভেলদগী হায়বসিদা চপ মান্নবা নিতি নিয়ম অমগী মখাদা চপ মান্নবা মওংগী ওইবা তাকপী তম্বীবগী খুদোং চাবা পীবা ফুটবোল একাদেমী মরাং কায়না থম্বীদুনা মমা মপা ওইবশিং অসিবু পুক্নিং চিংশিন্দুনা মচা মশুশিং অসিবু পার্টিসিপেট তৌহন্নবা অখঙ-অহৈ এক্সপার্ট কয়া তান্নদুনা অফবা থৌরাং লৌখৎতুনা অফবা থৌশিল অমা শেম্বা মথৌ তারে। পৃথিবীগী মফম খুদিংগী কাচিন কোয়া থুংনা অহাংবা লম্পাক মচা অমদা হেক্তা শান্নবা য়াবা শান্নরিবা ফুটবোল খরা হেন্না পামজবা ঙাওজবা লমদম অমা ওইনা ভারতকী অৱাং নোংপোক চিদাইদা পীক্রু পীকপা মীশিং য়ামজদবা ষ্টেট মণিপুরসু অমা ওইরিবনি। ভারততা মতম অমদা ফুটবোল হায়রবদি বেঙ্গল হায়রবদি লোইরে, বেঙ্গলগী শান্নরোই ঙাক্তংনা ভারত মহুৎ শিন্দুনা শান্নরম্বা ঙসিদি ওইদ্রে। পীকচরবসু মণিপুর নুপা নুপী অনীমক্তা ফুটবোলদা লাক্ল-ফানব ঙমদবা অমা ওইরে। ফিভম অসি তারক্লবা লাক্লবা হোৎনবদা মমাঙথক্তা ফুটবোলগীদমক হোৎনবীরম্বা হিংলম্বা মীওইশিং, হিংলিবা অমদি মশান্নসিগী নুংঙাইরবা চাংয়েং কুম্মৈদা হৈথোই শিং থোইবাকয়া উত্তুনা শরুক য়ারম্বা শান্নরোইশিং পুম্নমকপু নীংশিংলুরগা চমম্নবা জ্ঞান তাদবা ৱাফম অমা থোরক্লে ঙসিগী লমদমসিগী য়াম্না মরু ওইরিবা জগা অমদা ওইরক্লিবা ফুটবোল শান্নবগী মচৎ।

তশেংবমক অঙকপা অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই ৱাফমদি মতম অমদা শোক ১৯২০ অদুৱাইদা ‘ফাদর ওফ মোর্দন গেম’ হায়নখিবা লমদমসিগী, চুরচান্দ মহারাজনা মশান্না কয়াগী অকনবা ইহৌ শাগৎতুনা হোৎনরকপা মতম অসিদা ফুটবোল লমদমসিগী মীয়াম্না য়াম্না পাম্না শরুক য়াদুনা লাকখিবগী ৱারী মথং মথং ওইনা তাদুনা অমদি অইবা ওইনা অমসুং ফোটো ওইনা থেংনদুনা লাক্লি। খরা ঙল্লিঙৈ মতমদুদা চীংমী ফুটবোল শান্নরোই কয়া তম্মী ফুটবোল শান্নরোই কয়ানা পুন্না শান্নমিন্নদুনা লমদমসিবু শক্তঃাক্তুনা লাকখ্রে। নীংশিংবা য়াই শোক ১৯৪৭ তা অসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট, শিল্লংদা মণিপুর টিম্না শিল্লং থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবা (ফোটো অম্ফা ওফিস)। ফুটবোলগীদমক লমতাপীরম্বা ময়ামসিগী মখা তারকপা ওইনা লমদমসিদা ফুটবোলগী য়াম্না অকনবা ইহৌ শাগৎলকখিবদি শোক ১৯৫৪, ১৯৫৯, ১৯৬৮ দা ফুটবোল মশান্না চাওখৎনবগীদমক মতমদুদা ভারতকী মমিং লৈরবা ফুটবোল টিম মোহন বাগান কৌথোক্তুনা একজিবিসন মেটচ শান্নখিবা, শোক ১৯৭১ দা ইষ্ট বেঙ্গল, শোক ১৯৭৬ দা থাইলেন্দগী পোট অথোরিটি কৌদুনা লমদমসিগী শান্নরোই কয়ানা তমজনিংঙাই ওইবা কয়া তমহৌনবা খঙহৌনবা লোয়ননা লমদমসিগী ফুটবোল ভাবক কয়াবু নুংঙাইরবা কুম্মৈ ওইনা মীৎ পেন্না য়েংবা ফংদুনা মথং মথং লাকখিবদা নৎতনা শোক ১৯৫৮, ১৯৬৫ দা ভারতকী শক্লাইরবা ফুটবোল্লর এস মেৱালাল কৌদুনা তেল্লবা মতম খরা তাকপী তম্বীহনখিবা অসিনা লমদমসিদা ফুটবোল মশান্নগী অচৌবা টর্নিং পোইন্ট অমা ওইখিবনি। পুম্নমক ময়ামসি তারুরগা খঙলুরগা অমদি থেংনরুরগা চমম্নবা অমা থোরক্লি বসি অতৈ নৎতে, ফিফটিজ শ্বাইদা চীংমীশিং ফুটবোলদা চাওনা শরুক য়ারকখ্রে। হৌজিকসু য়ারি অদুগা অমুক সিক্সটিজ দগী আইটিজ স্বাই ফাওবদা মণিপুরদা ফুটবোল শান্নখিবা শান্নরোইশিং অসি চাদা মরিফুতরামঙাদি ইম্ফাল সহর অমদি ইম্ফাল সহরগা হেক তাইননা লৈবা লৈকাই খুঙ্গং শিংদগী ওইরমই লোয়ননা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌখিবশিং সু ওইরমই, মীং লোয়নমক পন্দুনা হায়রুদ্রবসু মীয়াম্না খঙনরবা চুম্লবা ৱাফমনি। অদুবু হায়রিবা চহী শোক ১৯৮০ স্বাইদদি ইম্ফাল সহর অমদি অকোয়বদগী থোরকপা শান্নরোই মশিং অসুম অসুম হন্থরক্তুনা ঙসিদি ইম্ফাল সহর মনুংদগী ফুটবোল শান্নরোই অমত্তা থোরকখিদ্রে অসিদা নত্তনা মশান্না কয়াগী শান্নরোই অমফাওবা থোরকখিদ্রে, লৈত্রে লৈহৌরিবা হায়ববু ফুটবোলগীদমক সহর মনুংদগী ওইবা ক্লব খরদা মঙাইহৌরে। লৈহৌরিবা ক্লবশিং অসিনসু মখোয়-মখোয়না কোল্লিবা লৈকাই লৈকাইশিংদগী ফুটবোল শান্নরোই অমত্তং ফাওবা পুথোকপাঙমখিদ্রে। হোৎনরবসু অঙাওবা তাবগী ফিভমদা লৈরে মরমদি সহরদা লৈরিবা মমা মপা ওইবশিং অসিগী ৱাখল্লোন্দা শান্নবা হায়বসিনা মচা মশুশিংগী লাইরিক তম্বদা অকায়বা য়াম্না পী হায়বা ৱাখল্লোন অসোমদা কোকপা য়াররোইদবা মচু অমা শংবগুম্না লৈখ্রে। মসিমক্তিঃ সহরদা লৈরিবা মমা মপা শিং খক্তা নৎতনা মমা মপা ওইবা পুম্নমক্কী অরানবা ৱাখল্লোন্নি। সহরগী ওইনা সহরদা লৈরিবা ক্লবশিংগী পামজবা থৱায় য়াওবা থৌমীশিং অসিনা হোৎনবা য়াবা হোৎনরবসু মচাশিংবু শান্নহন্নিংদবা, শান্নবা য়ারোই হায়রবদা করি উপাইনা শান্নহনগদৌরিবনো? মসিসু অরুবা ৱাহং অমা ওইনা চোং থোরক্লিবনি। ইম্ফাল সহরগী মমা মপা অহল লমনশিং অসিনা মচা মশুশিংবু নিষাগী মায়কৈদগী লাপথোক্লবা অমসুং ফত্তবা হায়বা লম্বীদা চৎখিদনবগীদমক শান্নবা হায়বসিনা খ্বাইদগী ফরবা অমত্তা ঙাইরবা লম্বীনি হায়বসি খঙলক্লবা জ্ঞান তারক্লবা মতমদা মচা মশুশিং অসি লাইরিক তম্বদসু কায়দবা শান্নবদসু কায়দবা অনী পুন্না চৎমিন্নবগী মায়কৈরোমদা হোৎনমিন্নবা মতম অমা ওইরে। অরোইবদা ইম্ফাল সহরগী মীশিংনা নীংশিংবা য়াবসি মতম অমদা শান্নবা সহরগী মীনা মশান্না খুদিংমক শরুক য়াদুনা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা ঙসিদি পুম্নমক মাঙখ্রে শান্নখিদ্রে। করি উপাই অমা তৌগদগে মসিদগী কোক্লনবা।

## ইন্দিয়াগী হরিন্দর পাল সন্ধু ভিক্তোরিয়া স্কৱাস ওপনগী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে



*মেলবর্ন, জুলাই ১৪ ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি মেলবর্নদা চথরিবা ভিক্তোরিয়া ওপন স্কৱাস চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী হরিন্দর পাল সন্ধু মহাক্কী লম্বা ওইখিবা য়ুম্বু লৈবাক ওষ্ট্রেলিয়াগী রাইস দোৱিং মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি টুর্নামেন্ট অসিদা ৪ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ইন্দিয়াগী হরিন্দর পাল সন্ধুনা হন্দক্তা লোইশিনখিবা সাউথ ওষ্ট্রেলিয়ান ওপনগী ফাইনেলদা ঙসি ক্কার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌখিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী রাইস দোৱিংবু মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা ক্কার্টর ফাইনেল মেটচ অদুদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৭ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী রাইস দোৱিংবু য়াম্না হেনবা মওংদা ষ্ট্রেট গেম অহুমদা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অদুগী অহানবা গেম অদুদা ইন্দিয়াগী হরিন্দর পালনা ১১-৪ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থারবা মতুং অনীশুবা গেম অদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই অদুনা লম্বা খরা পীরকখিবদগী ১১-৮ দা থোইদুনা গেম অনী মাঙজিল থাখি।

অহুমশুবা গেম অদুদা ইন্দিয়াগী হরিন্দর পালনা ওষ্ট্রেলিয়াগী রাইস দোৱিংবু পোইন্ট ১১-৫ দা য়াম্না কোম্না থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেলদা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা নেদরলেন্দসকী পৈদ্রো স্কৱির্টমেনগা লম্বা তৌনরগনি।

## অলটিমেট টেবল টেন্নিসকী অহৌবা মেটচতা ফালকোন্সনা মেবরিক্স থোইখ্রে

*চেন্নাই, জুলাই ১৪ ঃ*

মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা তোঙান-তোঙানবা মশান্নশিংগী ওইবা লীগ টুর্নামেন্ট চথরকপনা মশান্নশিং অদুগী শান্নরোই কয়া ফুমদুনা থল্লম্বদগী মীমাঙ থোকহনবা ঙম্বগী রেকোর্দ লৈখ্রবা মতুং অহানবা ওইনা টেবল টেন্নিস মশান্নদা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পুৱারীগী অহানবা টেবল টেন্নিসকী লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা ‘অলটিমেট টেবল টেন্নিস’ টুর্নামেন্টকী ঙরাং অহৌবা নুমিৎতা ফালকোন্স টিটিসিনা আরপিএসজি মেবরিক্সপু মায়থিবা পীখ্রে।

অলটিমেত টেবল টেন্নিস লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা মেটচ অদু ঙরাং চেন্নাই সিটিদা লৈবা নেহরু ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা ফালকোন টিটিসি অমসুং আরপি-এসজি মেভরিক্সনা লম্বা তৌনবদা ফালকোন্সনা য়াম্না নক্নবা লম্বাদা মায়থিবা পীবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ৬ না লম্বা তৌনরি। মখোয়শিং অদুদি ফালকোন্স টিটিসি, সেজ চেলেঞ্জর্স, দবং স্মাসর্স টিটিসি, মহারাষ্ট্র য়ুনাইটেদ, ওইলমেক্স ষ্টেগ য়োধাস অমসুং আরপি-এসজি মেভরিক্সনি।

## দবল ত্রেপ জুনিয়র ইন্টরনেসনেল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী টিম গোল্ড ফংখ্রে

*হেলসিনকি, জুলাই ১৪ ঃ*

মালেমগী সোটগন টুর্নামেন্টকী জুনিয়র ইভেন্ট অমা ওইরিবা ফিনলেন্দদা পাঙথোকপা টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী সুট্টর অহভার রিজবিনা মহাক্কী সুট্টরশিংগা লোয়ননা দবল ত্রেপ ইভেন্টতা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখ্রে। অহভার ইন্দিভিজুয়েলগী দবল ত্রেপ ইভেন্টতা সিলভর মেডলসু ফংবা ঙমখি।

ফিনলেন্দগী কোনুং হেলসিনকিদা পাঙথোকপা ইন্টরনেসনেল জুনিয়র সোটগন কপ টুর্নামেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী সুট্টর অহভার রিজভিনা দবল ত্রেপ ইভেন্টতা বৃটেনগী সুট্টর জেমস দেগমানগা লম্বা তৌনবদা পোইন্ট ৭১-৭৫ দা মায়থিদুনা সিলভর মেডল অদু ফংলগা বৃটেনগী সুট্টর অদুনা গোল্ড ফংখিবনি।

অমরোমদা দবল ত্রেপ ইভেন্ট অদুগী টিম ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী সুট্টর অহভার রিজভি, সর্দুল ভিহান, সপত বর্দৱাজ অমসুং অম্বিকেশ্বর কাটোসনা ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিবদগী ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখি।

## কানাদা ওপন গ্রান্দ প্রি বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী মনু অত্রি অমসুং সুমিত রেদ্দি ক্কার্টর য়ৌখ্রে, প্রনোই ৩শুবা রাউন্দদা লৈহৌরে



কানাদা ওপন বেদমিন্টনদা ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী মনু অত্রি অমসুং সুমিত রেদ্দি

*কালগেরি, জুলাই ১৪ ঃ*

কানাদাগী সিটি কালগেরিদা শান্নরিবা যুএস দোলর ৬৫,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা কানাদা গ্রান্দ প্রি বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী মনু অত্রি অমসুং সুমিত রেদ্দি ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে। অমরোমদা নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ২ শান্নরোই ইন্দিয়াগী ঐচ এস প্রনোই অহুমশুবা রাউন্দদা লৈহৌরে।

টুর্নামেন্ট অসিদা ৩ শুবা সিদেদ জুরা ওইনা শরুক য়ারকখিবা ইন্দিয়াগী মনু অত্রি অমসুং সুমিত রেদ্দিনা নুপাগী দবলসকী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা সাউথ কোরিয়াগী জুরা চোই সোলগিয়ু অমদি জি হ্বান কিমবু গেম ২-১ দা থোইরম্বনি।

মেটচ অদুগী অহানবা গেম অদু সাউথ কোরিয়াগী জুরা অদুনা য়াম্না নক্নবা স্কোরদা ২১-১৯ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং ইন্দিয়াগী জুরা অদুনা অনীশুবা গেম অদুদা ফজবা মশান্না খরা উত্তুনা ২১-১৪ দা থোইদুনা গেম অমমম মান্নদুনা লৈখি।

গেম অমমম মান্নরবা মতুং ইন্দিয়াগী জুরা অদুনা য়াম্না ফজবা মশান্না উত্তুনা শান্নরকপদগী সাউথ কোরিয়াগী জুরা অদুবু য়াম্না কোম্না ২১-৮ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্কার্টর ফাইনেলদা অতোপ্পা সাউথ কোরিয়াগী জুরা কিম ৱো হো অমদি সিয়ুং জি সিওগা লম্বা তৌনরগনি।

কোরিয়াগী জুরা কিম ৱো হো অমদি সিয়ুং জি সিওনা অহুমশুবা রাউন্দদা ইংলেন্দগী জুরা বেন লেন অমদি সিন ভেন্দিবু ২২-২০, ২১-১৭ দা থোইদুনা ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌরকপনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ২ শুবা সিদেদ ইন্দিয়াগী ঐচ এস প্রনোই টুর্নামেন্ট অসিগী ৯ শুবা সিদেদ সাউথ কোরিয়াগী জিওন হিয়িওক জিননা অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং ১৭-২১, ২১-১৪, ২১-১৩ দা থোইরম্বনি।

কানাদা ওপন গ্রান্দ প্রি বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী রুথভিকা সিবানি গাদে টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ জপানগী আয়া ওহোরিগী মখুত্তা ২১-১৪, ১৭-২১, ২১-১৯ দা মায়থিহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী কাঙলুপ্তা টুর্নামেন্ট অসিদা ২ শুবা সিদেদ ওইরিবা ইন্দিয়াগী প্রনব জেরি চোপ্রা অমদি এন সিক্কি রেদ্দিনা নেদরলেন্দগী জুরা রোবিন তাবেল্লিং অমদি চেরিল সৈনেনবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১-১১, ২১-১৭ দা থোইদুনা ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

মিক্স দবলসতা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী কোনা তরুন অমদি মেঘানা জাক্কম্পুদিগী জুরা টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা জপানগী কোহৈ গোন্দো অমদি ৱাকানা নাগাহরাগী মখুত্তা ৯-২১, ১৬-২১ দা মায়থিহৌবদগী ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদ্রে।